# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৭৬

**ডা. এল শশীকুমার, যূরেম্বম**

**মণিপুরগী** মনুংদা পোকপা মণিপুরদা চাউরকপা মীশক মীওই খুদিংমক্লা পুকচেল অমত্তা ওইনা থম্মোয় শেংনা থবক পায়খৎলবদা ওইথোক্লোইদবা থবক অমত্তা লৈতে। অদুবু ঙসিদি চিননা অমা খূৎনা অমা, থবক্লা অমা লেপ্তুনা চথরকপা থৌওং অসিমক্লা মণিপুর চাউখৎপগী মাং থাবা ঙমজদবনি। চীং-তম অনীনা পুল্লগা শেম্বা মণিপুরনি। মতম অমদা লৈরম্বা মীশিংদগী ঙসিনা খঙহৌদনা য়ামখৎলকইবসি ঈশিং ঈচাওগুম্বনি। মতমগী খোঙচৎ তুংইন্না ফুরুপ ৪০ গী মথক্তা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরে। লাইনীং-খেন্নজরবসু ঙসি ফাওবা ঈংনা চিক্লা খুন্দামিন্নবসিদা থম্মোয় পীকপা মশা মশাগীতা খঞ্জবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খাবৈ খারা শানবসি তশেংনমক পূম্ন মক্কী লাইবক থিবনি। মসিমক মমাঙথক্কী পুৱারী লৈনমীন্নবগী মথৌ লৈতবা নত্তে।

মণিপুরদা আই এল পিগী ঈহৌ হৌরিবসি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ পূম্নমক্কী তুংগী পুন্সি কঞ্জনবনি। মসিদা ফুরুপকী নামাদা করিসু অকায়বা পীদে হায়বসি লৈঙাক পায়রিবশিংনা ময়েক শেংনা এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা তঙাইফদে। আই এল পিগী বিল অসি জ্ঞান তানা মণিপুর বিধান সভাদা পুথোক্তুনা নুং-পানগী ওইবা খন্নরবা তুংদা পাস তৌখিবনি। ঈহৌ অসিগী লুচিংবা ওইরিবা রতনগী মথক্তা লাউথোক্লিবা ৱান্টেদ মীয়াম্না ঙক্তবা ঙমদে। রতনদি মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবগীদমক ফোংনা চহী কয়া চুপ্পা থেংনরকপনি। মসিমক লৈঙাক্লা ৱাখল তাবীফম থোকই।

মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি খরনা লোন্না মীয়াম খঙহন্দনা শান্নরম্বা মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ থুগাইনবা শিলম্বশিংগী মথক্তা ৱান্টেদ লাউথোক্তনা করিগীদমক রতন্দা ৱান্টেদ লাউথোকপনো? মণিপুরী মচা অমা ওইনা গ্রেটর নাগালেন্দগী ঈহৌশিংগী মতেং পাঙলম্বা নাগা লুচিংবশিংগী মনুংদা মীয়াম খঙহন্দনা মমায় অনী লোংলম্বশিংগী মথক্তা করিসু ৱান্টেদ লাউথোক্তে। মণিপুরবু থুগাইরগা অনৌবা গ্রেটর নাগালেন্দগী মঙ মঙলম্বা পোলিটিকেল পার্টি, লৈঙাক্কী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা এম পি, এম এল এ, মন্ত্রিনচিংবা কয়ানা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌ পুনা পুনা নাগা ইন্টিগ্রেসনগী থবক্তা ঙমজবী থাদুনা হোৎনরম্বশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা করি থবক পায়খৎপীরবগে? কুমজা ২০০৫, মতমদুগী মণিপুর রাজ্য সভাগী এম পি ওইরম্বা মতম অমগী মণিপুরগী সি এম চহী ১৫ রোম ওইরম্বা লুচিংবা অদুনা লুচিংলগা মীশক ১২ রোম্না খূৎয়েক পীদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহদা পীখিবা মেমোরেন্দম অমদা ইন্দো নাগা টোক নীংশিংমীন্নবা মথৌ

> *মণিপুরগী লৈঙাক্লা ফোঙনা পাস তৌখ্রবা বিল অসিবু য়াই য়াদে হায়না লাউনরক্লিবা ৱাকম তরাইবা নত্তে। মপান্দগী লাকপা, নৌনা লমদমসিদা চঙশিল্লকপা কয়াবু লৈবাক মীয়াম খঙনা থবক পায়খৎপদা আই এল পিগী মরমদা নুং পান ফাওনা ৱাখল তারবশিংনা ৱাখল তাশিন্নদবসি লৈবাক্কী অপূনবা শক্তমদা শিংনরকপনি হায়না লৌবদা করি লানগনি। ঙসিদগী শাংলবা চহী কয়া ঈংনা চিক্লা চীং-তম পুম্নমক্তা খুন্দামিন্নরিবা মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা, মশা মশাগী ওইজবা থিদুনা মীয়াম মমাঙদা অফবা শাবশিং ঙসিদি অনৌবা পারা তম্বীবা মতম চপ চারে। ঙসি বিধান সভাদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিং থম্মোয় শেংনা মীয়ামগীদমক হোৎনবীয়ু। মীয়াম মমাঙদা ফোংনা চোংথোক্তুনা অপূনবা শক্তম ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু। মদুদি নত্তনা মীয়াম মমাঙদা অফবা শাবা, মীয়ামগী মাঙদগী শমাই লৈখ্রগা নুংশিনদনবগী হু কামশিনবশিং মরু ফংনা মাঙহনখ্রসি। মীয়ামগী খোল্লাউ মীয়ামগী ঈহৌদা শিংনরকপশিং পরা তম্বীবদা ফুরুপ, চীংমী তম্মী হুপ্পা পূল্লসি, অপূনবা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকমিন্নরসি, আই এল পি হায়বসি লন্নাই লন্নাইগী নত্তে।*

তাদবা নত্তে। মসিগী মতাংদা মণিপুরগী লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরিবশিংদনা করিসু তৌবা ঙমদবসি ওন্থোক্লা অর্থ চেনবা লৈঙাক্কী থৌওংনি। মণিপুর থুগাইনবা হোৎনবশিংদনা করিসু থবক পায়খৎতবা অদুগা মণিপুরবু কন্নবা হোৎনরিবা রতনবুনা ৱান্টেদ লাউথোকপা নুং-পানগী অর্থ চেনবা লৈঙাক্কী থৌওংসি মণিপুর মীয়াম্ন া চনিং তানা খন্থমীন্নরগা অনৌবা হেন্না কনবা খোঙজং অমা তঙাইফদনা চঙশিনবা মথৌ তারে। মণিপুরদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৪০ মুক লৈরে। মখোয়শিংসু নোংমদি মাগী মাগী ওইজবা থিরকপা হায়বসি মমাঙথক্কী থৌদোক্লা ময়েক শেংনা ফোঙনা খঙনরবা ৱাফমনি। মতম অমদা নাগাগী ৱাথোক, ঙসিনা কুকি লেন্দ তাল্লকপা মশানা তাজবনি। আই এল পিগী ঈহৌদা চুড়াচান্দপুরদা মীওই মাপন শিবা, চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়ারোই।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা নাগাগী ঈহৌ, কুকিগী ঈরাং অমত্তা তরাইনা লৌরুবা খক য়ারোই। খুজিন মমায়মুক চাউবা মণিপুরদা থোরকপা ঈরাং অমত্তা তরাইবা ওইরোই। অদুম ওইনমক মণিপুরদা আই এল পি হায়বসি তশেংনমক অপূনবা মণিপুরগীদমক লেংদ্রবা মথৌ অমদি শোয়দনা ওইরে। ইন্দিয়ন কন্সটিটুট্যুসনগী মনুংদা নুং পান ফাওবা কদাইদা করি হায়বা য়াম্না কুপ্পা নৈনবগী মথৌ লৈতবা নত্তে। ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মনুংদা থম্মোয় শেংনা মণিপুরগীদমক খনবা এম এল এ, মন্ত্রি থৌনা ফনা মণিপুরগীদমক চোংথোরকপা মতম য়ৌরে। মমাঙথক্তা লুচিংবশিংনা শান্নরম্বা নুং পান ফাওনা খঙনরবশিংনা শক মায় য়েংনদুনা অচুম্ববু উৎনা-ৱাইনা কুপশিনবা কয়াম কুইনা য়াগনি। মসিমক মতম শাংনা লৈঙাক পায়রক্লবা কোংগ্রেসকী মন্ত্রি মন্দলগী মনুংদা অরোন অফোং, নুং পানগী মমায় অনী লোংবা থৌওং কয়া চথরম্বনা ঈরাং অসি থোরকপনি। মতম মতমগী লৈঙাক্কী মতাংদা মমাঙথক্তা হঙ্গৎনা নৈনবসু তঙাইফদবা লৈতবা নত্তে। মতম অমদা লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরম্বশিংনা পায়খৎলম্বা থৌশিল কুপ্না থিগৎতুনা মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ থোক্লবা শরৌ লাং থাক্লম্বা ঙম্নমক ঙসি খঙলক্লবা ফাওবদা উৎনা ৱাইনা খুমজিনবা অফবা লৈঙাক্কী অফবা ফল তাহনবা য়ারোই। শাংলবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক মনুংদা মীতৈ, নাগা, পাঙল খুদিংমক লুচিংবা ওইরম্লে। মাগী মাগী মতমদা অপূনবা শক্তম থুগাইনবা খুজিল থৌরাং তৌরম্বা পূম্বা পরা অমা তম্বীবা মথৌ তাদবা নত্তে। মসিমক পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা য়াম্না মনুং হুনজিন্না থিগৎপীদুনা অচুম্বা থবক পায়খৎপা মতম ওইরে। মতম মতমগী অচৌ অশাং কয়ানা মণিপুরবু থুগাইনবা হোৎনরম্বা খুদিংমক শক মায় য়েংনদনা মতিক চাবা থবক পায়খৎলবতদা অচুম্বা অপূনবগী শক্তম কনবা ঙমগনি। ঙসি থোরক্লিবা নাগাগী ৱাথোক, কুকিগী ঈরাং মসিদগী হেনবা থাজদ্রবা ঈহৌ কয়া থোরক্কনি। পূম্নমকসিগী মরুদি আইনগী থোংদা হেন্না কুপ্পা য়েংশিনবগী মথৌ তাই।

হন্দক্কী আই এল পিগী বিল পাস তৌবসিগী মতাংদা ঙাঙনরক্লিবা থবক ওইনা পায়খৎনরক্লিবা অমত্তা লেম্না থাবা য়ারোই। চুড়াচান্দপুরদা মরাল লৈজদ্রবা মীচম মাপনগী পুন্সি মাঙখিবা অমত্তা তরাইবা নত্তে। মসি ঙম্নমক লৈঙাক্কী নুং-পান অনী থোকপা থৌশিলনা ওইহল্লকপনি। অসিগুম্লবা ৱাথোক্কী লুচিং পুরেলশিং মীয়াম্না ময়েক শেংনা পারা তম্বীহৌদ্রবদি নোংমদি ফুরুপ ৪০ গী মথক্তা খুন্দামিন্নরিবা লমদমসিদা ঐগী মাগী-মাগী হায়বা য়াম্না পীকপা থম্মোয় মচাগী ওইজনাম, লৌজনাম, নপচনাম তৌদুনা হিগাইৱা শান্নরিবশিং মতিক চাবা পাউখুম মণিপুর মীয়াম্না পারা অমা তম্বীবা নৎত্রবদি নোংমদি মৈরিক্তগী মৈজাও হৌরক্তুনা তমথিরবা লমদম অমা শোয়দনা ওইরক্কনি।

মপূং ওইনা আই এল পি হায়বসি তশেংনমক মাগী মাগী অপীক অপীকপা ফুরুপশিং কঞ্জনবা বিল অমনি। বিল অসিদা নত্তবা হু কামশিনদুনা ফুরুপ মরক্তা নুংশিনদনবা শিনবশিং, লুচিংবশিং আই এল পিগী রতন্দগী হেন্না শাত্থিবা লীদরশিংনি। মণিপুরগী লৈঙাক্লা ফোঙনা পাস তৌখ্রবা বিল অসিবু য়াই য়াদে হায়না লাউনরক্লিবা ৱাফম তরাইবা নত্তে। মপান্দগী লাকপা, নৌনা লমদমসিদা চঙশিল্লকপা কয়াবু লৈবাক মীয়াম খঙনা থবক পায়খৎপদা আই এল পিগী মরমদা নুং পান ফাওনা ৱাখল তারবশিংনা ৱাখল তাশিন্নদবসি লৈবাক্কী অপূনবা শক্তমদা শিংনরকপনি হায়না লৌবদা করি লানগনি। ঙসিদগী শাংলবা চহী কয়া ঈংনা চিক্লা চীং-তম পুম্নমক্তা খুন্দামিন্নরিবা মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা, মশা মশাগী ওইজবা থিদুনা মীয়াম মমাঙদা অফবা শাবশিং ঙসিদি অনৌবা পারা তম্বীবা মতম চপ চারে। ঙসি বিধান সভাদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিং থম্মোয় শেংনা মীয়ামগীদমক হোৎনবীয়ু। মীয়াম মমাঙদা ফোংনা চোংথোক্তুনা অপূনবা শক্তম ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু। মদুদি নত্তনা মীয়াম মমাঙদা অফবা শাবা, মীয়ামগী মাঙদগী শমাই লৈখ্রগা নুংশিনদনবগী হু কামশিনবশিং মরু ফংনা মাঙহনখ্রসি। মীয়ামগী খোল্লাউ মীয়ামগী ঈহৌদা শিংনরকপশিং পরা তম্বীবদা ফুরুপ, চীংমী তম্মী হুপ্পা পূল্লসি, অপূনবা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকমিন্নরসি, আই এল পি হায়বসি লন্নাই লন্নাইগী নত্তে। আই এল পিগী লুচিংবা ৱান্টেদ লাউথোক্লবদি মণিপুর থুগাইনবা শিল্লিবশিং, ফোংনা চোংথোরকপশিং, ৱান্টেদ লাউথোক্তুনা আইনগী চপ চাবা থবক পায়খৎপীয়ু।

---

# পু (পুরোন) অহুম খঙদোকপা

**মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা**

**কংলৈপাক** (মণিপুর) দা লৈরিবা অমদি মপান লমদা খুন্দারিবা মীতৈ ঐখোয়না লাইগী থৌরম তৌবদা মরু ওইনা লুহোংবা, লান্ন-থৌরম (শ্রাদ্ধ) ফিরোই, কুমওন পাঙথোকপদা মীতৈ হিন্দু নৎত্রগা মীতৈ ইনাৎকী অমাইপিবানা থৌরম মপুদা নৎত্রগা যূম্নুদা নৎত্রগা অরাংফমদা পুরোল (পু) অহুমগী পীয়ু হায়রকপা মতমদা লুহোংবগী পীবা (বর) লৈমা (কৈন্যা) গী মপাগী মমিং, মপুগী মমিং, মপুবোক্কী মমিং অহুম অহুম পীনৈ। মীতৈনা পামহৈবগী মতমদা রমান্দি লাইনীং লৌরুবা, ভৈগ্যচন্দ্রগী মতমদা হিন্দু লাইনীং (কৃষ্ণ নীংবা), চন্দ্রকির্তি মতমদা গৌরাঙ্গ (মহাপ্রভু) নীংবগী লাইনীং লৌঙৈদগী ঐখোয়গী য়েলহৌঙৈদগী চৎনরকপা য়েক সলাইগী মহুত্তা গোত্র ওন্থোকখিবদগী ঐখোয়গী পু (পুরোন) অহুমগী লিখুন মুৎখ্রে। হিন্দুগী ওইবা গোত্রগী পু (পুরোন) অহুমসু পীবা ঙমদবদগী পু (পুরোন) অহুমগী মমিংদি থৌরমগী মীওইগী মপাগী মমিং, মপুগী মমিং অমসুং মপুবোক (মপু পোকপা) গী মমিং অহুম অসিবু মীতৈ হিন্দুগীসু মীতৈ ইনাৎলোইশিংসু পু অহুম হায়না শীজিন্নরে অমসুং শীজিন্নরি। মীতৈ হিন্দুগী শ্রাধা নৎত্রগা ফিরোইদা ভেক কৎপা মতমদা লুক (অচাপোৎ/চিরা/চেঙপাক) পু অহুমগীদমক মফম অহুম থোক্লা থাই নৎত্রগা কৎলি। লুক (চাকলুক) অমমমগী লাইফম ওইনা পু অমমম ওইনা কৎকদবনি। অদুবু পু অহুমগী মমিং মথা খঙদবনা মহাপ্রভু অদু চাকলুক অমদা অমুক থাং অমদা অমুক অহুল্লক থাং থাংদুনা লুক কৎলি।

মীতৈ ঈনাৎকী ওইনদি অহানবা লুকফম অদু মীগীদি পুকোক লাইগীদি মমৈ ঈপু অথৌবা পাখংবগী ওইগনি, অনীশুবা লুকফম (খুভম) অদুনা শাগৈ শাগৈগী সলাইগী খুভমনি অহুমশুবা লুকফম নৎত্রগা খুভম অদু সলাইনা পোকপা নাওতাগী খুভমনি। অসিগুম্বা খুভম অহুম অসিদা মচা মশুশিংনা লৈরাং লৈহুন তমদুনা পুনেমজগনি। শাগৈ সলাই খুদিংগী মাগী মাগী পু (পুরোন) অহুম অহুম লৈগনি।

ইহান হানবা পুনা ঈপুথৌ পাখংবা, অনীশুবা পুনা ঈপুথৌ পাখংবগী ঈগা লাইলুপ তরেৎকী ঈগা তিন্নদুনা পোকপা সলাই তরেৎ - মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খা-ঙানবা, সলাই লৈশাংথেমগী মনুংদগী অমা। অহুমশুবা পুনা (১) মঙাংনা পোকপা - লৈসংলেন অসং ঙাসাপা (২) লুৱাংনা পোকপা নোংতমলেন অৱাংপা (৩) খুমননা পোকপা নোংতমলেন অখুবা (৪) আঙোমনা পোকপা লৈসংলেল অসংপা (৫) মোইরাংনা পোকপা ঈচেঙ (৬) খা-ঙানবনা পোকপা নোংতমলেন অঙানবা (৭) সলাই লৈশাংথেমনা পোকপা খুম খুম নিংথৌ। মথংশিৎনা অহুমশুবা পুনি।

মথক্তা হায়খ্রিবা পু (পুরোন) অহুম অহুম অসি শাগৈ নৎত্রগা যূম্ন াক যূম্নাক্কী পু অহুমনি। খুঙ্গং অচৌবা নৎত্রগা লৈপাক্কী ওইবা ঈরাৎ ঈশোল নৎত্রগা থৌরম অমদা পু অহুম অহুমগী খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা লৈরাং লৈহুন তম্বা তারবদি ইহান হানবদা ঈপু অথৌবা পাখংবা অনীশুবদা সলাই তরেৎকী মঙাং, লুৱাং খুমন, আঙোম, মোইরাং, খা ঙানবা, সলাই লৈশাংথেম ওইগনি। অহুমশুবা পু ওইনা মঙাংনা পোকপা (১) লৈসঙলেল ঙাসাপা, লুৱাংনা পোকপা (২) নোংতমলেল অৱাংপা, খুমননা পোকপা (৩) নোংতমলেল অখুবা; আঙোমনা পোকপা (৪) লৈসংলেল অসংবা; মোইরাংনা পোকপা (৫) ঈচেঙ; খা ঙানবানা পোকপা (৬) নোংতমলেল অঙানবা; সলাই লৈশাংথেমনা পোকপা (৭) খুম খুম নিংথৌনি। পুন্না খুভম নৎত্রগা লুকফম তরামঙা হায়বদি পাখংবা ১ + সলাই ৭ + নাওতা ৭ = ১৫) ওইফম থোকই। তৌইগুম্বসুং শাগৈ/সলাইনা মাগী মাগী পুরোনদতা লৈরাং লৈহুন তমগনি, অতৈ সলাইগী খুভমদা লৈহুন তমফরোই। হায়বদি মঙাং সলাইগী মীওইনা (১) লৈসঙলেল অসঙ ঙাসাপা (২) মঙাং (৩) ঈপুথৌ পাখংবা।। লুৱাং সলাইগী ওইনা (১) নোংতমলেল অখুবা; (২) লুৱাং (৩) ঈপুথৌ পাখংপা খুমন সলাইগী ওইনা (১) নোংতমলেল অখুবা (২) খুমন (৩) ঈপুথৌ পাখংবা।। অঙোম সলাইগী ওইনা (১) লৈসংলেল অসংবা (২) আঙোম (৩) ঈপুথৌ পাখংবা।। মোইরাং সলাইগী (১) ঈচেঙ (২) মোইরাং (৩) ঈপুথৌ পাখংবা ।। খা-ঙানবা সলাইগী ওইনা (১) নোংতমলেন অঙানবা (২) খা-ঙানবা (৩) ঈপুথৌ পাখংবা ।। সলাই লৈসাংথেম সলাইগী ওইনা (১) খুম খুম নিংথৌ (২) সলাই লৈসাংথেম (৩) ঈপুথৌ পাখংবগী খুভম নৎত্রগা লুকফম লৈরাং লৈহুন তমগনি। লৈহুন তম্বা মতমদা মখারোমদগী মথক মথক্তা তমগনি হায়বদি নাওতাদা হান্না, সলাইদা অনীশুবা, অহুমশুবদা ঈপুথৌ পাখংবদা লোইশিনগনি।

মীতৈগী লাইনীংদা পুরেলসিঙবু পুনেমজবা হায়বা লাইনীংদা পুরেলসিঙবু পুনেমজবা হায়বা লাইনীং (প্রনালিকা) অমা লৈরি। মদুদি :- ঐনা ঈপাদা চংজবা, ঈপানা ঈপুদা পুসিনবিবা, ঈপুনা ঈপুথৌদা, ঈপুথৌনা ঈপুরেলদা, ঈপুরেলনা ঈপুরেল - নাককপদা ঈপুরেল নাককপনা ঐগী ঐগী সাগৈদা, সাগৈনা নাওতাদা, নাওতানা সলাইদা, সলাইনা ঈপু অথৌবা পাখংবদা; পাখংবনা সলাইলেলদা; সলাইলেলনা ঈপুংলোই অপকপদা লাইনীং লম্বী অসিবু পুরেলসিংবু পুনেমজবা কৌই হায়না মীতৈ লীচৎকী ৱাংউবা মায়চৌশিংনা তাকপীরি।

মতাং অসিদা . ঐগী পু অহুম অসি খঙদবা য়াদে, খঙফম থোকই। পঞ্জনীংবা ৱাফম অমনা চহী অহুমলোমগী মমাঙদা কংলা খুন্থোক য়াই অপূন লুপলেনগী লুপলোই, লুপচাশিংগী ওইবা পু অহুমগী মকাইফম (কংলা মনুংদা) পু অহুম পুন্দুনা শরি ৱাশকপদা পু অহুমগী মমিং ওইনা মঙাং, লুৱাং, খুমন হায়না হায়খি। ৱাফম অসিদা ঐহাক ৱায়েৎ অমা ওইনা থমজনীংবদি মঙাং, লুৱাং, খুমন অহুম্না লৈপাক্কী ওইবা তারবদি লৈহৌরিবা আঙোম, মোইরাং, খা-ঙানবা, সলাই লৈশাংথেম সলাইশিংগী পুরোনদি য়াওদ্রে হায়রোইদ্রা? নোংমগী মনুংদা মতম কৌবা লাইগী মতম তরেৎপু, মঙাংগী পুংফম, লুৱাংগী পুংফম, খুমনগী পুংফম, আঙোমগী পুংফম, মোইরাংগী পুংফম, খা-ঙানবগী পুংফম অমসুং সলাই লৈশাংথেমগী পুংফম তরেৎকী মহুৎতা শুপচিল্লগা, অয়ূক্কী মতমবু মঙাং, নুমিৎযুংবা মতমবু লুৱাং, য়াচংবা অমম্বা মতমবু খুমন হায়না লৌজবনি। মখোয়বু পুনেমজবদি মতম কৌবা লাইবু পুনেমজবনি। মখোয় অহুমবু পু (পুরোন) অহুমনি হায়না লৌবদি অরানবা ওইগদরা হায়না খঞ্জে। কংলৈপাক (মণিপুর) অমসুং মপান লমদা খুন্দাখিবা মীতৈ ফুরুপকী যূম্নাক শাগৈ সলাই খুদিংমক্কী পু (পুরোন) অহুম অহুম লৈফম থোকই। লোয়ননা ইশা ইশানা খঙফম থোকই হায়না লৌজৈ। ৱাকোকলোন পুয়ানা যূম্ফম ওইরগা পুথোকচবনি। সলাই সলাইগী পু অহুম হায়রক্কে তাথিবিগনো।

মঙাং সলাইগী পু অহুম - (১) ঈপু অথৌপা পাখংবা (২) মঙাং (৩) লৈসঙলেল অসঙ ঙাসালা।। লুৱাং সলাইগী (১) ঈপু অথৌবা পাখংবা (২) লুৱাং (৩) নোংতমলেল অৱাংবা।। খুমন সালাইগী - (১) ঈপুথৌ পাখংবা (২) খুমন (৩) নোংতমলেল অখুবা।। আঙোম সলাইগী (১) ঈপু অথৌবা পাখংবা (২) আঙোম (৩) লৈসংলেল অসংবা ।। মোইরাং সলাইগী - (১) ঈপু অথৌবা পাখংবা (২) মোইরাং (৩) ঈচেঙ ।। খা-ঙানবা সলাইগী - (১) ঈলু অথৌবা পাখংবা (২) খা-ঙানবা (৩) নোংতমলেল অঙানবা অমসুং সলাই লৈশাংথেম সলাইগী পু অহুম - (১) ঈপু অথৌবা পাখংবা (২) সলাই লৈশাংথেম (৩) খুম খুম নিংথৌনে। খঙজিনবীগদবা অমনা খুভমদা লৈরাং লৈহুন তম্বা অমসুং পুনেমজবা মতমদা মখাদগী/মমৈদগী হৌবিগনি।

---

# উমংলাই হরাউবা অমসুং লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ

**থৌনাওজম রুহিচান্দ**

**লৈবাক** নিংথৌনা কষ্টমগী মপুনি। অদুনা উমংলাই অমদি লাই হরাউবগী অথোরিটি অসি লৈবাক নিংথৌ, সনা কোনুংনা ওইদুনা লাকই লোয়ননা ঙসিসু ওইদুনা লৈরি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মসি মর্জর এগ্রিমেন্টতসু ময়েক শেংনা ইদুনা লৈরবা ৱাফমনি। লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ এক্ট, ১৯৭৬ অসিদি হয়িং খোঙবান্দা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহী অসি নত্তনা মণিপুরগী উমংলাই লাইফম অমত্তা ঙাক শেনবগী অমদি লাই হরাউবগী অথোরিটি ওইবগী ৱাফম অমত্তা য়াওদে। শ্রী গোবিন্দ টেম্পল বোর্দ এক্টকুম্বা লৈঙাক্লা শেমখিবা এক্টনি। অদুগা বোর্দ অসিগী খ্বাইদগী নৌনা ফোঙবা লাইনীংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ বাই লোজ, ২০০৬ (মণিপুর গেজেট নোটিফিকেসন, তাং ২/৪/২০০৬) গী রুল নম্বর ৪ দা পল্লিবা উমংলাই লোইশঙ অসিদি মণিপুরগী উমংলাইশিংগী ওথোরিটি ওইবগী ৱাফম নত্তে। লাইনিংথৌ সনামহীগী লৈরিবা অমাইবা, অমাইবী অমদি পেনা লোইশঙশিং অসি পাননবা শেম্বা লোইশঙনি।

কষ্টমগী মপু ওইরিবা সনাকোনুংনা অৱাৎ অপা কয়া লৈবদগী উমংলাইশিং য়েংশিনবগী থবক্তা খরা শোন্থনা লৈবা তাল্লকসিদা মৈতৈ ইনাৎ লাইনীংগী অচৌবা লৈঙাক্কী বোর্দ অমসু ওইরিবা সনামহী টেম্পল বোর্দনা উমংলাই হরাউবগী হিরমসিদা থৱায় খরা য়াওরকপা মানবা অসিদা লৈবাক মীয়াম্নদি খরমখৈদি হরাউনখি। মরমদি লিগেল্লি লাল্লবসু ইনাৎ লাইনীং হিংগৎ ঈহৌদা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকপনা মৈতৈগী অশেংবা শক্তম ঙাক্তুনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা লেপ্তুনা চথরিবা উমংলাই হরাউবগী কাঙলোন অসি চুম্না থম্নবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু শৌগৎফম থোকই। অদু নত্তদুনা মীয়ামগী অপাম্বগী ৱাংমদা বোর্দনা অমাইবা, অমাইবী অমদি পেনা অশৈবশিংবু লাই হরাউবগী শিন্তাক শিন্দমগী থবক চথবদা মখোয়না হরাউবা লাইবুংশিংদনা তৌনিং তৌনিংবা কয়া পংতৌদা তৌশিল্লবদি মদু লাইনসু য়ারোই, মীয়াম্নসু শাউনরক্কনি। লাইবুংশিংনা লাই হরাউবগী চে ককপগী পৈশা অমদি লোইশঙগী মাইবা, মাইবী পেনাশিংনা শেল তান্নবখক্কী মওংদা চথরগা লাইবুংশিংদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদনা নোংমতা মায় ওনশিনবা ঙমদবগী ফীভম অমা উরিবসি য়াম্না নুংঙাইজদে। পূক্নিং য়াম্না থৌগৎনিংঙাই ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ (এল এস টি বি) না শিন্দুনা অমাইবা, অমাইবী অমদি পেনা অশৈবশিংগা উমংলাই হরাউবগা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা নুমিৎ ২১ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা শিন্তাক শিন্দম্বা থৌরম অসিদা লাই হরাউবগী কাঙলোন্দা তৌহৈবা তৌহৈদবা কয়া খন্ন নৈনরকপগী শরুক অমা ওইনা লাই হরাউবা হৌবা অমদি লোইশিনবগী নুমিৎ অফ-ফত্তগী মতাংদসু কুপ্না নৈনহঞ্জনীংই। মরমদি এল এস টি বিদগী চে কক্লগা লাই হরাউরিবা লাইফম অয়াম্বদা লাইচা ফত্তবা নুমিত্তা লাইথৌ হৌবা অমদি লোইবগী ৱাথোক কয়া থোক্লিবসি মতুংদদি থোকহঞ্জনীংদে।

লৈঙাক্লা শৌগৎলবা এল এস টি বি অমা লৈরবনিনা ইনাৎ লাইনীং হিংগৎপগী ঈহৌশিংগী শরুক ওইনা খোঙজং কয়া, খুজিল থৌরাং কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলক্কনি হায়না ইনাৎ লাইনীংদা লুপচবা লৈবাক মীয়াম্না কয়াগী মতিক হরাউজখিবনো? অদুবু টেম্পল বোর্দ অসিদি সনামহী লাইনিংলোইশিং থেম্নবা মমিংতগী ওইনা লৈঙাক্লা শেমখিবা লোইশঙগা পাঙ্খক ওইরব্রা? লাইনিংলোইশিংনা মনিং তম্না চঙবা য়াদবা, মতমগী মতুং ইন্না লাইবুংসু চাউথোকফম লৈতনা য়াম্না তোন্না লৈরিবা লাইনিংথৌগী লাইশঙ অসিনা ৱাফমসি অমুক্লা হেন্না ময়েক শেংহল্লে।

বোর্দ শেমখিবা চহী অসুক কুইরবসি ঙসি ফাওবদা করি করি মশক নাইবা থবকশিং পায়খৎখ্রবগে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং য়াওবা লাইরিকশিং, চেফোংশিং, নৈন-ৱারেংনচিংবা মীয়ামদা ইনাৎ লাইনিংশিংগী ওইবা মঙাল পীবা ঙম্বা, খ্বাই পূম্নমকপু লাইনিংসিগী ফজবশিং অমদি অহকপশিং লায়না খঙহনবা ঙম্বা লাইরিকশিং মরাং কায়না ফোঙদোক্তুনা অমদি মীয়ামদা অহোংবা মমলদা ফংহন্দুনা পূম্নমকপু লাইনীংসিদা চিংশিন্নবা থবকশিং পায়খৎপসু কয়া থেংনজদে।

লাই তীলগী ওইবা থৌরম খরা মতম মতমগী ওইনা তৌরিবা খরখকসিনা অদুম য়ারদ্রা হায়বা ৱাহংসি মীয়াম্না তোয়না হংনরিবনি। ইশাগী ইনাৎ লাইনীং, চৎনবী ফজনা খঙবা মতিং লৈবা হীরম খুদিংমক্তা মীখা পোন্দবা, মৈতৈ খুন্নাই অমা শাগৎপদা বোর্দ অসিনসু খ্বাইদগী চাওবা থৌদাং লৌহঞ্জনীংই। বোর্দ অসিগী এক্টতা, রুলদা অমদি বাই লোদা য়াওরিবা ইনাৎ লাইনীং কন্ননবা অমদি য়োকখৎননবা ৱাফমশিং অসি থম্মোয় শেংনা থবক ওইনা মপূং ফানা পাঙতোকপা ঙম্লম্লবদি মীয়াম্না হুপচিল্লক্তুনা লাইনিংথৌগী লাইশঙ অসি সনানা মরোল ১০০/১০০ থন্না নহালনা কুপলমগদবনি হায়না নীংজৈ।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৫


১। ‘পঞ্চজন্য’ গী অইবদু কনানো?

২। ‘‘ঐগী ৱাহৈগী হি/.../খোঙজেল য়াঙনা চেল্লু।’’ ৱাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো?

৩। নিংঙোম্বম সুনিতা করি লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ফংখিবগে?

৪। ‘মেঘনাথ তুবা কাব্য’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ২৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।